HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





চথরক্লিবা 'শ্বছতা হি সেবা' কেম্পেননগী মনুং চন্না থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং সিখোং সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা শিৎ-শেংবগী থৌরম পাঙথোকখিবা


চম্প্রা চাং নাইনা শীজিন্নবনা য়ু অমদি চুরূট থকপা মীওইশিংদা... ☛ লামায় ২

ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা পুং ৪৮গী বন্দ ... ☛ লামায় ৩

'খুল ঙাক্লিবা খূদিংমকপু লৈবাকসিগী হেরো অমা ওইনা লৌবীগদবনি' ☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম' ☛ লামায় ৯


ন্যু দেল্লীগী বিজ্ঞান ভবনদা বিশ্ব হিন্দু পরিষদনা শীন্দুনা শক্লাইরবা লৈখিদ্রবা অইবা রামধারি সিংহ দিনকরগী ১১৫শুবা মপোক কুমওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল হিন্দি কনফরেন্সতা গভর্ণরনা শরুক য়াবা





Vol. 47, Issue No. 177 | শগোলশেন, লাংবনগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 21, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## ফাজিনখিবা খুল ঙাকপা ৫ থাদোক্লবা পুং ৪৮গী বন্দ চথরবসু থাদোক্তবদগী মখা তাবা খোঙজং

# ঙসি নুংথিল পুং ১দগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা ফাবিরো হায়দুনা মীয়াম থোমজিনগদৌরি



ঙসি নুংথিল পুং ১দগী মীয়াম হুপ্পা পুলিস ষ্টেসনশিংদা থোমজিন্দুনা পূন্না ফাবিরো হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী কনভিনর য়ুম্নাম হিটলরনা অতোপ্পা লূপশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা পাউমীশিংদা লাউথোকপা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা খুল ঙাকপা চৎলুরগা হল্লকপা মীওই ৫ পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা মখোয়বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ১৮গী অহিং নোংয়াইদগী ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পূম্বদা পুং ৪৮গী বন্দগী খোঙজং চঙশিনখ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয় মঙাবু থাদোরক্ত্রে হায়রদুনা মীয়ামগা খূৎশম্ননা বন্দগী খোঙজং চঙশিনখিবা লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম অপূনবা মীফম অমা ফমদুনা খন্নরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা হয়েং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদা ইমা-ইবেল অমসুং মৈরা পায়বীশিং য়াওনা মীয়াম পুল্লবা মতুংদা নুংথিল পুং ১ তারকপদগী মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পূন্না থোমজিন্দুনা ঐখোয়বুসু ফাজিনবীরো হায়বগী খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপপ্লখ্রে।

খোঙজং অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী কনভিনর য়ুম্নাম হিটলরনা হায়, খুল ঙাকপা মীওই মঙা পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীনবা লৈঙাক্তা হায়জরবসু থাদোকপীরক্ত্রবনিনা মীয়াম হুপ্পা ফাবীরো হায়বগী অকনবা খোঙজং চত্থরগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা থা অসিগী ১৬তা খুল ঙাকপা মীওই মঙাবু মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখিবা থৌওং অদুবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখি। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা চত্থখিবা পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দগী খোঙজং ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তবনা মীয়াম হুপ্পা চঙশিনখিবা খোঙজং অসি লৈঙাক্না করিসু থৌওইদ্রে। লৈবাক মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙবীদ্রে হায়বা খঙলে। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, লংথবাল কেন্দ্র মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, ওল কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, কুরাওমখোঙ য়ুনাইটেদ ক্লব, শগোলবন্দ অপূনবা লূপ অমদি খুরাই অহোঙ্গৈ থাংজম লৈকায় ক্লব য়াওনা মৈরা পায়বী লূপকী মীহুৎশিংনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ খরা লৌরে হায়খি।

ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা অহানবদা মীয়াম হুপ্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু মণিপুর লৈঙাক্না থৌওইবীদবা অমদি মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙবীদবা অসিবু

## দেল্লীদা লৈরক্লিবা বি জে পিগী এম এল এ শিংনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথকা উনখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুমিদাংদা য়ুথ ওফ মণিপুরগী মীহুৎ ১০০না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উনদুনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তকশিনখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ ২৩গগী মরক্তা য়ানখিবা মতুংইন্না দিমান্দশিং অসি তকশিল্লুনবগীদমক থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা দেল্লীদা চৎলগনি হায়খিবগী মতুংইন্না ইম্ফাল থাদোক্তুনা চৎখিবদগী ঙসি ফাওবা দেল্লীদা লৈরক্লিবা বি জে পিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথকা হকথেংননা উনখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা দিফেন্স মিনিষ্টরগা উনখিবা অদুদা বি জে পিগী এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি লোইশিন্নবা থবক পায়খৎপীনবা তকশিনবগা লোয়ননা ম্যান্মারগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক লোইশিনবা, মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনবা, মণিপুরদগী পোপি পাম্বীশিং মরূ ফংনা মূখৎপদা মতেং পাংবীবা অমসুং ৱাফমশিং অসি প্রাইম মিনিষ্টরদসু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্লবা তকশিনবীনবা হায়জখি হায়রি। এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাংসু এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উননবগী মতম পীবিনবা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও) দা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবা লৈখ্রবনি।

ঙসিগী মীফম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা অমত্তা ওইনা য়ানবগী মতুংইন্না হয়েং মণিপুর পূম্বগী ওইনা ইমা ইবেল, মৈরা পায়বী অমসুং ইচিল ইনাও পূম্নমক্না নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদা পূনশিনবীরগা নুংথিল পুং ১ তারকপদগী মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা থোমজিনবা অমসুং ঐখোয় পূম্বসু ফাবীরো হায়বগী খোঙজং চঙশিনমিন্নবা হায়না লেপ্পরে হায়খি।

অনীশুবা ৱারেপ্তুনা থা অসিগী ২৩দা মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ও, লোকল ক্লব/ওর্গনাইজেসন অমদি অতৈ লূপশিং য়াওনা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখা তানা খুল ঙাকপশিংবু পুলিসনা ফাবা-পূনবা, অকি-অখং পোকহনবা তৌদনবা খন্ন-নৈননবা লেপ্পরে হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিনবীয়ু হায়না মহাক্না আপীল তৌখি।

## এম এল এশিংনা মীয়ামগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্দ্রবদি মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে : য়ুথ ওফ মণিপুর



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী লান হৌরকখিবা থা ৪ মপূং ফাখিবা নুমিৎ থা অসিগী ৩দা শাফোঙলকখিবা য়ুথ ওফ মণিপুরনা ষ্টেট অসিগী এম এল এশিংদা থমখিবা ৱারেপশিংগী মতাংদা চেকশিন ৱারোল অমা থল্লক্লি।

ঙসি য়ুথ ওফ মণিপুরনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসি য়ুথ ওফ মণিপুরগী নহাশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা থমখিবা ৱারেপশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপগী মমি উরক্তবা মরম্না নহাশিংগী অপূনবনা তাবীদ্রবা লৈঙাক অমদি লৈঙাক্লোইশিংদা চেকশিন ৱারোল অমা নোল্লুক্না থমজরি হায়রি। ৱারোলশিং অদুদি

- চথরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিদা মণিপুরগী এম পিশিংনা হাউসতা এদজোর্নমেন্ট মোসন থাঙ্গৎপীদুনা মণিপুরগী ইস্যু অসি সোল্ভ তৌহনবীয়ু।
- মীয়ামগী খোল্লাও পুদুনা দেল্লী চৎখিবা এম এল এশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরীক চুম্বা রিপোর্ট মণিপুরগী মীয়ামদা খঙহনবীগদবনি।
- মীয়ামগী খোল্লাও পুদুনা দেল্লী চৎপদা শরুক য়াদ্রিবা এম এল এশিংনা য়াওদবগী মতিক চাবা মরম পীগদবনি অমসুং পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা এম এল এশিংনা চথরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসি লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা দেল্লীদা চৎতুনা মীয়ামগী ওইবা অপূনবা খোল্লাও অসি পার্লিয়ামেন্ট সেসন লোইদ্রিঙৈদা ফোঙদোক্কদবনি হায়রি।
- লোয়ননা মণিপুরগী এম পিশিং অসি ষ্টেট অসিগী ওইবনা ইস্যু অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তবা তারবা অমদি এম এল এশিংনা মীয়ামগী ওইবা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্দ্রবদি য়ুথ ওফ মণিপুরনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।


মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টগী রিপোর্ট


## মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী মনুংদা চাদা ২২.৪না য়ু থকপদগী খ্বাইদগী য়াম্না য়ু থকপা ৮শুবা ষ্টেট ওইরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টগী মায়কৈদগী ফোঙলকপা 'মেগ্নিচুদ ওফ সবষ্টেন্স য়ুজ ইন ইন্দিয়া ২০১৯' গী সম্মরি ওফ রিপোর্টগী মতুংইন্না মণিপুরগী কুমজা ২০১১দা পাঙথোকখিবা সেন্সস পোপ্যুলেসনদা মীওই লাখ ২৮.৫৬ লৈখিবদা য়ূম্ফম ওইবগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ওইনা মণিপুরদা অপূনবা মীশিংগী মনুংদগী মশাগী চহী ১০দগী ৭৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা য়ু থকপগী চাং চাদা ২২.৪ য়ৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না য়ু থকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ৮শুবদা লৈরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা গঞ্জা থকপগী চাংনা অপূনবা মীশিং অসিগী মনুংদগী মশাগী চহী ১০দগী ৭৫ ফাওবগী মনুংদা চাদা ২.৮গী মীওইশিংনা হায়রিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসিবু শীজিন্নবদগী লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ৮শুবদা লৈরে হায়রি। অদুগা ওপিয়ম অমসুং হিরোইননচিংবা শীজিন্নবগী চাংনা অপূনবা মীশিং অসিগী মনুংদগী হায়রিবা চহী তাঙ্কক অনীসিগী মনুংদা লৈবা মীওই চাদা ৪না শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা ৫শুবা থাক্তা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, দাইজিপাম অমসুং স্লিপিং পিলসনচিংবা শীজিন্নবগী চাংনা অপূনবা মণিপুরগী মীশিংগী মনুংদগী চহী তাঙ্কক অনীসিগী মনুংদা লৈবা মীওই চাদা ১.৪৩না শীজিন্নবদগী লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরে হায়বগা লোয়ননা দেনদ্রাইট, নেল পোলিশ রিমুভরনচিংববু ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবগী চাংনা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসিগী মনুংদগী মশাগী চহী ১০দগীনা ১৭ ফাওবদা লৈবা অঙাং চাদা ০.৬৫না শীজিন্নবনা লৈবাক অসিগী ওইনা হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং ওইনা শীজিন্নরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদনা ৮শুবদা লৈরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, রিপোর্ট অসিগা লোয়ননা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অমনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসিদা মশাগী চহী ৩০গী মখাদা লৈবা নহাশিংদি শরুক য়াবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কুকি মিলিটেন্টশিংগা কাপ্নখ্রে, বোম পোকখায়খ্রে, নোংমৈ মরূ খরা কাপথোক্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩ লোম তারকপদা খামেনলোক্কী মফম অমদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়বগী মখোল মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা তাবা ফংনখি। অদুম ওইনমক বোম অদু কনানা করিগীদমক পোকখায়হনখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, সাইকুল পি এসকী মনুং চনবা থম্নাপোকপী অমদি সনাশাবী মীতৈ খুলগী নোংচুপলোমদা লৈবা সিমোন খুলগী চীংদোনগী শরুক্তা চীংদাই খেলেঙ্গী খুভম লৈরিবা চীংথক্কী মফম অমদা ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বশিংগা থেংনদুনা খূৎ থোক্লখ্রে হায়রি। নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ রাউন্দ ৫০ রোম কাপ্পগী মখোল অনকপদা লৈবা মীয়াম্না তানখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা মীশি মীনা য়াওবগী পাউদি ফংখিদে।

লোয়ননা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪৫ রোম তারকপদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি সব দিভিজনগী কারোংথেল হায়না খঙনবা মফম অমদা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওই ১০ রোম লাক্লগা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপ্লম্লে হায়রি।

## কুকি মিলিটেন্টশিংদা তাঙ্খুল নাগালোংনা অরোইবা ৱার্নিং তৌরক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** উখ্রুল হেদ ক্বার্টরদা লৈবা তাঙ্খুল নাগালোং (টি এন এল) গী ভাইস প্রসিদেন্ট আর এস জোলিসননা থোরকপা চেরোল অমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী পরিংদা লম্বী অসিবু শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরিবা মীওইশিং য়াওনা মরাল লৈজদবা মীচমশিং অমসুং পেসেঞ্জরশিং থৎতুনা থম্বা য়াওনা কিহন-খংহনবগী পামদবা থৌদোকশিং চত্থরক্লে হায়রদুনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থেঙ্খাং কয়ারক্তা মিলিটেন্টশিংনা চত্থরক্লবসু তাঙ্খুল নাগা কম্যুনিতিনা খাঙদুনা লাকখিবনি। চত্থরক্লিবা থবকশিং অদুমক অরানবনি খঙলবা ফাওবদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগীদমক খম থেংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনরকখিবনি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## কোনয়াক মচা ১ মফম খঙদ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা অন্দ্রো পি এসকী মনুং চন্না লৈবা উগী মিল অমদা থবক শূবা য়াওবা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মোনয়াকসু খুলদগী পেয়াও কোনয়াক (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা মোবো কোনয়াক কৌবা মীওই অমা থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা মিসিং রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখ্রে হায়রি।

## মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চ্যের লৌদুনা আইজোলদা 'জো য়ুনাইটেদ' কী মীফম পাঙথোক্তুনা থৌপুবশিং খনখ্রে



**মীফম অসিদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমসুং মণিপুরগী এম এল এ ৫ শরুক য়াখি**

**আইজোল, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী) :** মে ৩দগী মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগী শক্তম থুগাইরগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীগদবনি হায়দুনা ষ্টেট অসিগী কুকি-জো-মি-মার-মিজো ফুরুপশিংনা দিমান্দ তৌরদুনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা অকনবা লান চত্থরক্লিঙৈগী চৈরক্তা থা অসিগী ৬তা মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা জোমি কাউন্সিলগী চ্যেরমেন কে ঙাইতেনো শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম্না 'জো য়ুনাইটেদ' কৌবা অপূনবা লূপ অমা শেম্নবগী ৱারেপ লৌখিবা মতুংইন্না ঙসি আইজোলগী তুইখ্বাটলাংদা লৈবা সেন্ট্রেল য়ঙ মিজো এসোসিএসন (ৱাই এম এ) গী হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মণিপুরগী ত্রাইবেল এফেয়রস অমসুং হিলসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চ্যের লৌখিবগা লোয়ননা নৌনা শেম্লবা 'জো য়ুনাইটেদ' অসিগী থৌপুগদবশিং খনখ্রে।

মণিপুরগী টেক্সটাইলস, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি কোওপরেসনগী মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন য়াওনা এম এল এ ৫সু শরুক য়াখি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## খুরাইজম অথৌবনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৪শুবা সেসনদা ৱা ঙাঙখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস):** জিনেভাদা চত্থরিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৪শুবা সেসনদা মণিপুরগী ইপসাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা খুরাইজম অথৌবনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙখ্রে।

সেসন অসিদা মহাক্না মণিপুরদা মশানা মরোমদোম লেপচনবগী হক শীজিন্নবদা অমসুং হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী থবক চত্থরকপদা মর্সিনরিশিং শীজিন্নরে হায়বগী ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এনগী রুম নম্বর ২৫দা ৱর্ল্ড ইভানজলিকেল এলাইএন্সনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদসু শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা পেনেলিষ্ট অহুম্না মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা অরানবা অমসুং নাকল নাম্মতগী ওইবা রিপোর্টশিং থম্নবা হোৎনরকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী পেনেলিষ্ট অহুমগী মায়োক্তা অশেংবা অমসুং অচুম্বা ৱাফমশিং থৌনা ফনা থম্ননবা হোৎনখি। কুকি পেনেলিষ্ট য়াওনা পেনেলিষ্ট ৩না থল্লকপা অরানবা ৱাফমশিং রিজেক্ট তৌদুনা মখা তানা অচুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা মঙোন্দা মখা তানা মতম পীখিদবদা নত্তনা মহাক্কী মাইক্রোফোন ফাওবা মূখৎতুনা থমখি হায়রি।

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস):** হয়েং সেপ্টেম্বর ২১দা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমসুং থৌবালদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৯, ককচীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা অদুগা বিষ্ণুপুরদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রি।


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


**HL Poll**

Q : Manipurgi Lan lephandriba faoba mari leinaba thoudok wathok kaya leptana thorakkhigani haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Delhida leirakliba MLA/Ministersingbu Prime Minister Narendra Modina unnabagi matam soidana pirakkani haina thajabra?

Yes 19% No 81%

# মণিপুর লৈঙাক লৈনা লৈনা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন' তালহল্লিবা করিগীনো

## হকথেংনবা পাউদম

*সেরৌগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) :** মে ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কোইশিল্লক্তুনা সেরৌগী মীতৈগী য়ুমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী শুগুনুগী এম এল এগী য়ুমদা লোইনা চেনশিন্নদুনা লৈনখি। অদুগা মে ২৯গী নুংথিল পুং ১.৩০দগীনা ২ তারমদাই অদুৱাইদা ষ্টেট ফোর্স অমসুং অসাম রাইফলসশিং চঙলক্লগা ঐখোয়বু লৌথোকপীরখিবদু লাঞ্জেন্নরিবা কুকিশিংগা মীতৈশিংগা শিনলোন শিঞ্জিন তৌনবনি। সেরৌদগীনা মীতৈশিং হোন্দোরক্লগা কুকিশিংবুনা হোনজিনখিবনি। মে ২৮দা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা কুকিশিংগী মায়কৈদা লুংগি শেৎপা মীওই অমা শিখি। মহাক্কী অশিবা হকচাং পুথোরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীতৈশিংবুসু পুথোরকখিবনি হায়না সেরৌ মমাঙ লৈকায়দগী সেরৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সলাম নাওবীচানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, ঐদি রিলিফ কেম্পদা লৈতে, ঐগী নুপীগী মপাম খোংজোমদা লৈ। রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিং নুংঙাইনা লৈবা নত্তে, অৱাবশিং মায়োক্লদুনা লৈবা ঙাক্তনি। থৌদোক অসি মে ৩গী নুংথিলদা তোর্ব্বুং বাংলাদা চুড়াচান্দপুররোমদগী কুকিশিং লাক্লগা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবদগী মথং মথং থোরকখিবনি। সেরৌদসু মীপূম খুদিংমক লৈতানা লৈবা ঙমখিদে। মে ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংদা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী বুলেট প্রুফ কেম্পর গাড়ীদা সাইরেন খোংলগা চৎপা হৌরকখিবদু নোংয়াই মতুং পুং ২.১৫ রোম তারকপদনি। মতমদুদা ঐখোয়না করিনো অমদি তৌরক্লগনি হায়না পাখৎনবা হৌখি। সাইরেন খোংবা হেক লোইখিবগা কান্নদনা শুগুনুগী ইলেক্ট্রিসিটি সব ষ্টেসনদা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ মূখৎলকখি। অদুগা অসাম রাইফলসকী সাইরেন খোংলম্বা কেম্পর গাড়ীদু হনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা সেরৌদা মাইকৈ ৭তগী কুকি টেররিষ্টশিংনা কোইশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। নোংমৈ কাপ্পা হৌরকপদগী মতমদুদা লৈখিবা পুসিল কম্যান্দো, আই আর বি, বি এস এফ অমসুং ভোলন্টিয়রশিংনসু



হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। নাকল অনীগী মরক্তা নোং ঙানবা ফাওবা নোংমৈ কাপ্লখি অদুগা অয়ূক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা সেরৌগী খুঞ্জা ৪ নোংমৈনা পানবগী মনুংদা শিবসু য়াওখি।

নোংমৈ কাপ্পরিঙৈগী মরক্তা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। য়ুমশিং পাক্তুনা মৈ থারকপা অদুদা মশুনুপানা লৌথোকপা নংহৌদবদগী অহল অমা য়ুম মৈ চাকপদা য়াওদুনা শিখি। নেপালি অমসু নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। ঐহাক্কী মাম্মা থোকপা সেরৌ মখা নিংথেম হিদম লৈকায়দগী মশাগী চহী ৬৭ লোম শুরবা অথোকপম মুহিন্দ্রো কৌবা অহল অমসু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ফারগা পুখি অদুগা মহাকপু সেরৌ তুরেল মপান্দা মখূৎ-মশা পুনশিল্লগা হাৎতোক্লমখি। মহাক্কী হকচাং থা অমরোম লৈরগা শরূ পোলাং ওইনা ফংখিবনি। মঙক্না মশাগসু তোঙান তোঙান তারম্মী। মহাক্না শেৎখি-চাখিবা ফিরোল অমসুং মহাক্কী মকোক্তগী মশক খঙলকখিবনি। সেরৌদগী ষণ শেনবা নেপালিশিংনা ইহান হান্না থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউ পীরক্লবা মতুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মোইরাং খুনৌদা ব্রজ তারকপদা মীওই ৫ শোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইরগা মখোয়গী শরুক খরা লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা হিংচা-য়াইতম্বগী তমথীরবা লান চত্থরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা কৈবুল পি এসকী মনুং চনবা মোইরাং খুনৌ মমাঙ লৌকোন্দা লৌ লিংবা চৎলুবা মীওই মঙা অখাক অরাওগা লোয়ননা ব্রজ তারকপদগী শোক্তুনা মোইরাং সী ঐচ সীদা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবশিংদি মোইরাং খুনৌদগী ফাইরেনবম বোই, হেমাম বসন্ত, মাইরেনবম বিক্রমজিৎ, লৈশাংবম য়াইমা অমদি ফৌগাকচাও ইখাইদগী হৌজিক্না মোইরাং রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লিবা মৈত্রম নাওচানি হায়রি।

শোক্লবা মীওই মঙাগী মনুংদা মৈত্রম নাওচাদি কোক্তগী খোঙ ফাওবা ফীভম লূনা শোকপদগী অৱূবা ফীভমদা লায়কন্নরি। ফাইরেনবম বোইগীনা নিংজোনগী শরুক্তা শোক্লগা অতোপ্পা মীওই অহুমদি কা হেন্না শোকহৌদবদগী খুদোংথীবগী ৱাংমদা লৈরে হায়রি।